ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট ২০১৯

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা বিরমঙ্গল কোলেজপু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর২৫(ঐচএনএস):

বিরমঙ্গল কোলেজ শওম্বুংনা যূম্বু ওইদুনা কোলেজ অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা বিরমঙ্গল কোলেজ পু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।




এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ফাইনেল মেচ অদুদা ঙসি বিরমঙ্গল কোলেজ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লম্বা তৌনখি।

ফাইনেল মেচ অসি হেক হৌবগা বিরমঙ্গল কোলেজনা হেন্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় পি ঐচ সনাথোকপী জর্সি নম্বর ৬না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ২৩শুবা মিনটতা টিমমেট গ্রেসি জর্সি নম্বর ৩না টিমগী পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি।

পাঞ্জল অনী শোথরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় লক্সমি জর্সি নম্বর ২না একাউন্ট হাংদুনা ১-২দা লৈহনখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় বোরকৈন্যা জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-২দা মান্নহনখি। মখা তানা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা বিরমঙ্গল কোলেজকী মায়কৈদগী গ্রেসি জর্সি নম্বর ৩, কবিতা জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী কে এস ঐচ রেনুকা জর্সি নম্বর ৪, বোরকৈন্যা জর্সি নম্বর ৩ অমদি মোনিকা জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল ৩ চনখি। মেচ অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা বিরমঙ্গল কোলেজপু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র বিরমঙ্গল কোলেজকী শান্নরোয় গ্রেসি, বেষ্ট গোলকিপরনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয় এম অপনানা তাখি।

১৩শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ২০১৯

# ইন্দিয়া (বি) মণিপুর, ইংলেন্দ পোলো টিম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর২৫(ঐচএনএস):

মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ইন্দিয়া (বি) মণিপুর অমদি ইংলেন্দ পোলো টিম মায় পাকখ্রে।




তোঙান তোঙানবা টিম ৫ য়ু এস এ, ইংলেন্দ, ইন্দিয়া এ, ইন্দিয়া বি অমদি ফ্রান্সকী পোলো টিমনা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৩শুবা ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া (এ) অমসুং ইন্দিয়া (বি) লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা চক্রদা ইন্দিয়া (এ) গী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৬ চন্দুনা ৬-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা চক্রদা ইন্দিয়া (এ) না পাঞ্জল অমখক চনখি। অদুগা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৮ শুখি। অহুমশুবা চক্রদা ইন্দিয়া (এ) অমসুং ইন্দিয়া (বি) মণিপুর পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। মেচকী অরোইবা চক্রদা ইন্দিয়া (এ) গী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। মখা তানা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা পাঞ্জল ৩ অমগা হাপচিন্দুনা পাঞ্জল ১২ শুখি।

মেচ অসিদা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরনা ইন্দিয়া (এ) বু পাঞ্জল ১২-৩দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়া (বি) মণিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ জেকোব জর্সি নম্বর ১, পি ওজিৎ জর্সি নম্বর ২, টি প্রদিপ জর্সি নম্বর ৩, ঐচ অবুংখুমন জর্সি নম্বর ৫না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ইন্দিয়া (এ) গী পাঞ্জলশিং অদুনা বিজয় জর্সি নম্বর ১, লেফটিনেন্টকর্নেল সমীর চৌধুরি জর্সি নম্বর ৮না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ফ্রান্স পোলো টিম অমসুং ইংলেন্দ পোলো লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা চক্রদা ইংলেন্দ পোলো টিমনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা ফ্রান্স পোলো টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা চক্রদা ফ্রান্স পোলো টিম অমসুং ইংলেন্দ পোলো টিম পাঞ্জল অমমম চন্নখি। অহুমশুবা চক্রদা ফ্রান্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। অদুগা ইংলেন্দ পোলো টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখি।

অরোইবা চক্রদা ফ্রান্স পোলো টিমনা শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। ইংলেন্দ পোলো টিমনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অসিদা ইংলেন্দ পোলো টিমনা ফ্রান্স পোলো টিমবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীখি।

ইংলেন্দ পোলো টিমগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জোর্জ অমর জর্সি নম্বর ২, খৃষ্ট ক্রোফোর্দ জর্সি নম্বর ৩, ৱিল সেথ স্মিথ জর্সি নম্বর ১ অমদি দেন এলি জর্সি নম্বর ৪না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ফ্রান্স পোলো টিমগী পাঞ্জলশিং অদু রোমিয়ন দারৌক্স জর্সি নম্বর ৩ অমদি ক্লিমেন্ট গোসেট জর্সি নম্বর ৪না চনখি। হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া (বি) অমসুং য়ু এস এ লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া (এ) অমসুং ফ্রান্স লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

৭শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# হোকি য়ুনিয়ন, ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা হোকি য়ুনিয়ন, ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়াদুনা পুল অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা হোকি য়ুনিয়ন অমসুং এম এল ঐচ য়ু লংথবাল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা হোকি য়ুনিয়ন্না এম এল ঐচ য়ু লংথবালবু পাঞ্জল ১০-১দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

হোকি য়ুনিয়নগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু পপুনাও হাওবম জর্সি নম্বর ১৮, গেলেন্দ্রজিৎ জর্সি নম্বর ১, দিক তোইজম জর্সি নম্বর ৩, বিদ্যানন্দ জর্সি নম্বর ১১, সুরেস জর্সি নম্বর ৯, প্রিতম জর্সি নম্বর ১০, কিংসন জর্সি নম্বর ১২ অমদি হেরোজিৎ জর্সি নম্বর ১৬না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরগা এম এল ঐচ য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু টি ঐচ অবিনাশ জর্সি নম্বর ১না চনখি।

কাংখূৎ কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৫শুবা গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি কাপ্পখিবা কাং অদুদা গোপালদেব য়াইস্কুল কাংখূৎনা অহানবা হাফতা স্কোর ১১ অমসুং অনীশুবা হাফতা স্কোর ১৩ পূন্না স্কোর ২৪ লৌবা ঙমখি। অদুগা শিংজমৈ কাংখূৎনা অহানবা হফতা স্কোর ৯ অদুগা অনীশুবা হাফতনা স্কোর ১৩ পূন্না স্কোর ২২ লৌবা ঙমখি। মেচ অসি লোইশিল্লকপদা গোপালদেব য়াইস্কুল কাংখূৎনা শিংজমৈ কাংখূৎপু পাঞ্জল ২৪-২২দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখ্রে।

৫শুবা গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং য়াইস্কুল অমসুং থাংমৈবন্দ কাংখূৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপ অমসুং কে ঐচ এস সী খোংমন লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপনা কে ঐচ এস সী খোংমনবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি। ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কে দেবসার জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল ৩, দব্লিয়ু সুরেস জর্সি নম্বর ১০ অমদি ৱাই শামচান্দ জর্সি নম্বর ২০না পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা কে ঐচ এস সী খোংমনগী পাঞ্জল অদুনা কে হেরা জর্সি নম্বর ৮, এম প্রেমচান্দ জর্সি নম্বর ১৬ অমদি এন মোমো জর্সি নম্বর ৪না চনখি।

৭শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এস ৱাই য়ু সী কোংবা উচেকোন অমসুং কে ঐচ এস সী খোংমন লম্বা তৌনরগনি।

৮শুবা এ আই টি দব্লিয়ু এফ নেসনল ত্রেদিসনল রেষ্টলিং এন্দ পনক্রাসন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# মণিপুর টিমনা অহানবা রন্নর্স-অপ তারক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর২৫(ঐচএনএস):

টেলঙ্গনানা যূম্বু ওইদুনা এল বি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম হায়দ্রবাদতা থা অসিগী ২১দগী ২৪ ফাওবা চথখিবা ৮শুবা এ আই টি দব্লিয়ু এফ নেসনল ত্রেদসনল রেষ্টলিং এন্দ পনক্রাসন চেম্পিয়নশপ ২০১৯দা মণিপুর টিমনা গোল্ড ২৯, সিলভর ১৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৭ লৌদুনা অহানবা রন্নর্স-অপ তারক্লে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহারাষ্ট্রনা গোল্ড মেদল ৯৮ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। মণিপুরনা গোল্ড ২৯, সিলভর ১৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ লৌদুনা অহানবা রন্নর্স-অপ তাখি। অদুগা যূম্বু টেলঙ্গনানা গোল্ড মেদল ২০ ফংদুনা অনীশুবা রন্নর্স-অপ তাখিবনি।

পনবা য়াবদি মণিপুর, নাগালেন্দ, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওদিষা, মহারাষ্ট্র, গুজরাট, টেলঙ্গনা, দিল্লি য়াওনা পূন্না ষ্টেট ২৪গী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা বেল্ট রেষ্টলিং, মাস রেষ্টলিং, কাজকুরাশ, পানক্রাসন হায়রিবা মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নখিবনি।

মণিপুর টিম অসি ওল মণিপুর ত্রেদিসনল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন্দ্রো, ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ উদোয়চান্দ, নেসনল রেফরি ডা. ঐচ রোমেননা মথংশিংনা টিম মেনেজর, টিম কোচ অমদি এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা শরুক য়াদুনা টিম অসি লুচিংখিবনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি পি মালেমঙানবী, কে ঐচ মোনিকা, কে ঐচ হেলসিনা, কে ঐচ তাইবংঙানবী চনু, এ বেমবেম, এন হরিপ্যারি চনু, এ বিনা, কভিনাই জোশেপাইন, টি ঐচ সনজু, সী ঐচ বিজেতা, এল সনাতোম্বী অমদি বি তম্ফাস্নানি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নেলসন য়াইখোম, এম দি অবদুল হকিম, দব্লিয়ু রিসিকান্ত, টি ঐচ থোইবী মৈতৈ, টি ঐচ চীংখৈঙানবা, এস গোবিন্দাস, ৱাই রিশি, এল জেমস, এল লিপসন, টি ঐচ প্রিয়ানন্দ, য়ু রোসিকান্ত, টি ঐচ ননাওবা, এস ঐচ অমর, টি ঐচ নিংথেম্বা, টি রিসিকান্ত শর্ম্মা, সৌবিও লিভিংসন, টি রোমেন, এল রোমেসচন্দ্র অমদি এন বিশেশ্বরনি।

# ১৬শুবা জুনিয়র নেসনল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

থৌবালগী মোইজিংদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অমসুং ক্যাম্প, শমুরৌ অমসুং উরুপ্তা পাঙথোকখিবা কোচিং কেম্পশিংদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা দিসেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬শুবা জুনিয়র নেসনল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম অমসুং এন্ট্রি ফী লাক্লিবা দিসেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা জেনরেল সেক্রেটরিদা পীশিনগদবনি। টিম কোচ ওইনা কে ঐচ অশমা বেগম খনখ্রে। লোয়ননা মহাক্কী মতেং পাংনবা এম দি ফিরোজ খান খনখ্রে। টিম মেনেজর ওইনা এম দি ইবোথেম খনখ্রে। মহাক্কী মতেং পাংনবা ওইনা এম দি উমিদ অলম অমসুং এম দি রহমন খনখ্রে।

২৯শুবা ৱিন্নর্স কপ ২০১৯

# এল ৱাই জি এস ঈ দি এনা জে এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএন এস):

ববিনা হেলথকেয়র এন্দ হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা চথরক্লিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ২৯শুবা ৱিন্নর্স-কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল ৱাই জি এস ঈ দি এনা জে এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি খোপিজান গ্রাউন্দদা এল ৱাই জি এস ঈ দি এগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা জে এস ৱাই সীগা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপগা এল ৱাই জি এস ঈ দি এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী মিনট ৩৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এস ঙামগিনগৌ হাওকিপ জর্সি নম্বর ১০না একাউন্ট হাংদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা এল ৱাই জি এস ঈ দি এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা এল থাঙখালেন জর্সি নম্বর ১১না টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। মেচ অসিদা জে এস ৱাই সীনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী এল ৱাই জে এস ঈ দি এনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি।

# শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থা অসিগী ২৫দগী ৩০ ফাওবা চথগদবা ১৯শুবা সব-জুনিয়র নেসনল ৱুশু (বোইজ এন্দ গর্লস) চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুর ৱুশু টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

১৯শুবা সব-জুনিয়র নেসনল ৱুশু (বোইজ এন্দ গর্লস) চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা সব-জুনিয়র গর্লস ৱুশু শান্নরোয়শিং অদুদি সানসৌ ইভেন্টতা তোংব্রম সিলভিয়া চনু, এন ভেলেন্টিনা, টি সিলভিয়া, ঐচ ভুমিকা, এল তোম্বা, এল ফেবেরিশ, পি ঐচ তোমথিনঙানবী অমদি এস চাওবনি।

সানসৌ ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি যূম্নাম এদিসন, কে এস ঐচ লনচেনবা, কে চীংখৈঙানবা, এল লানঙম্বা, কে ঐচ জেটিশ, এল সুরজিৎ, এস রোসন মৈতৈ, এস নাওবা, এ রামেশ, এন বিসন, এল বোয়তোন অমদি এন সনাজাওবনি।

তাওলু গ্রুপ সী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি থোইনাও সাপম, ফাইলিন থাংজম, এম কাইলেস অমদি খৃষ্টিনা কাংজমনি। তাওলু গ্রুপ বি ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি ওক্রম ইয়াথোই, নিংথিবা নোংমাইথেম, জোল্লিসন থাংজম, সাপম লনচেনবা, থোমাস নিংথৌখোংজম, টি সায়া, কেরোলিনা চীংখাম, ঐচ লাংলেনতোম্বী, তোমথিনঙানবী হাওবিজম অমদি লাংলেননি।

# এম য়ু সোফ্‌টবোলগী ত্রায়ল সেলেক্সন নৌনা মতম লেপ্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএন এস): ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি সোফ্‌টবোল (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌনবা ত্রায়ল সেলেক্সন মথং চহীগী জন্যুৱারী ২৮দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরদগী লাক্লিবা দিসেম্বর ১২গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি সোফ্‌টবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।



HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.



HL-B/5780/2nov.to28dec.



HL-B/579/2nov. to 30 dec.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com